ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯟ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯷꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ০৯, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৭৬ শুবা মশীং

# ষন্থি চেগী পেটি পীবা

## *পুলিসকী মোরেল লৈখা তাহন্দনবা লৈঙাক্না হোৎনসি*

***পুলিস*** হায়বসি দিসিপ্লিন ফোর্স অমনি। মথক থোংবশিংনা তৌবা থবক মখাদা লৈবা পার্সনেলশিংনা ৱাকৎনদে। ৱাকৎলুরবসু মহাক্কী সার্ভিসতা শোক্কনি হায়না কিবনা কনাগুম্বা অমত্তদা মথক থোংবা ওফিসরশিংগী অশোয়বশিং ফোঙদোক্লদে। অদুবু হন্দক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা শেঙ্গা-থুমজাগী মায়োক্তা থবক লৌখৎলকপা অমসুং মনুং-মপান ফাওনা উহনবা লৈঙাক অমা লৈহনগনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রবা তুংদগীদি পুলিস পার্সনেলশিংগী মরক্তা কনাগুম্বা খরনা ষন্থি চেগী পেটি পীরে হায়বা ৱাথোক অসি লাকখিবনি। ৱাথোক অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়াম্না লূম্না লৌই হায়বগী খুদমদি ষন্থি চেগী পেটিশিং অদু থল্লিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ষ্টোর রূমদা মশামক চৎতুনা য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডা. জে সুরেশ বাবু অমসুং মণিপুর পুলিসকী দি জি, এল এম খৌতেসু শরুক য়াখি। পৈদুনা লৈরম্বা পেটিশিং অদু চীফ মিনিষ্টরশিংনা অমা লৌথোক্লগা শেগায়দুনা য়েংবদা ক্বালিটি য়াওদবা ষন্থি চেনা শাবা পেটিশিং ওইরমখি। মদুনা মরম ওইরগা পেটিশিং অদু সপ্লাই তৌরকপা মহমদ গনি ব্লেকলিষ্ট তৌরগনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি অমসুং খুদক্তা কম্মিটি অমনা থিগৎহন্ননবা য়াথং পীখি। পুলিস পার্সনেলশিংদা পীবা য়ুনিফোর্ম অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদবা ঙাক্তা পী হায়বসি পার্সনেলশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হায়দুনতা লাক্লবা ৱাফমনি। ৱাফমশিং অসি মমাঙদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা গাইখাঙম মশামক্তসু পার্সনেলশিংনা ৱাকৎখিবা লৈখিব্রা হায়না খল্লি। মতমদুদা য়েংশিনবীরম্বা থোক্লবদি মতুং তারকপদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদবা পোৎশিং পার্সনেলশিংদা পীবগী মওং শেমদোকপা ঙম্লমগনি। হৌজিকসু পেটি খক্তা নৎতনা পার্সনেলশিংদা পীগদবা অতৈ পোৎলমশিং ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবা পোৎ পীব্রা, পার্সনেল খুদিংমক্তা ফংহনব্রা, ফংহন্দবা কনা-কনা ৱাৎলিবগে হায়বা থিজিনবগী তঙাইফদবা ফাওবা লাক্লে।

মণিপুর পুলিসকী পার্সনেল মশীং অসি হৌজিক্তি ৩৩,০০০ রোম শুরে। পার্সনেল অমমম্দা নিংথম থাগী মতম অমসুং কালেন থাগী মতম হায়দুনা তোঙান-তোঙাননা খায়দোক্লগা খোঙউপ মোজাদগীনা তুপী ফাওবা হায়বদি মীওই অমগী তঙাইফদনা শেৎ-চাগদবা ফিরোলমখৈ ফংহল্লি। কালেন থাগী মতমদা কাম্বল, নোংজু থাগী মতমদা রেনকোট, নিংথম থাগী মতমদা জর্সি অমসুং জেক্কেট, নম্বো পোননবা খাউ, শেৎননবা খোঙ্গ্রাউ, খোঙউপ মখল অহুম ফংহল্লি। মসিগীসু মথক্তা পার্সনেল অদুনা মশা-মশাগী পোৎলমশিং হাপচনবা তরং উপু অমসুং ব্লাঙ্কেট ফাওবা পীরিবনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি সিফাই খুদিংমক্না ফংফম থোকপা মতমদা ফংলিব্রা, পোৎ ফংদবা চহী কয়া ফারবগে হায়না হেক হংলুবদা মতম চানা ফংই নৎত্রগা অফবা পোৎলম পী, অমসুং মশীং শুনা ফংই হায়রক্কদবা পার্সনেল য়াওরমগনি হায়বা নীংদে। মসিনা তাক্লিবদি পুলিস মনুংদা মকোক্তগী হৌরগা ময়ায় থংবা থাক্তা লৈবা ওফিসরশিংনা সিফাইশিংগী ফংফম থোকপশিং মৎলব্রা হায়বগী ৱাকৎ লাকই। সিফাই অমমম্দা লুপা ১০০ পীবা পোৎশক অমা থা ৬ মৎলবদি কনাগুম্বা সপ্লাইয়র অমনা থা ৬ অদুদা লুপা লাখ ৩৩ ফংগদৌরিবনি। মরম অদুনা হোম মিনিষ্টর, দি জি পিগা য়ানবা সপ্লাই খরদি নৎতবা পাম্বৈ শীজিন্নরগা লান্না শেল তানশিনব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওবা লৈনরি। হন্দক্কী পেটি সপ্লাই তৌবগী ৱাথোক অসি সপ্লাই তৌরিবা মীদুসু, তৌননবা য়াথং পীরিবা মীদুসু অমসুং পোৎ য়ৌরক্লে হায়না খূৎয়েক পীরিবা মীদুসু অমসুং পীরক্লিবা পোৎ অদু ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বা য়েংশিন্ননবা শেমখিবা লাইন কম্মিটিদা য়াওখিবা ওফিসরশিং অদুসু চেন্নব্রা হায়বসি তঙাইফদনা য়েংশিনবদা য়াওই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, পুলিসতা শেঙ্গা-থুমজা চথগনু হায়বসি য়েমৌনবা ৱাফম অমা নত্তে। তৌবদদি মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অদুনা প্রমোসন কাবা নৎত্রগা পোষ্টিং পীবদা অচুম্বা তৌরবা, মঙোন্দা পোলিটিকেলগী ওইবা অরানবা ঈথিল অমত্তা য়ৌহন্দ্রবদি পুলিস পার্সনেলশিংগী লিচৎ-শাজৎ অমসুং শেঙ্গা-থুমজাগী চাং কা হেন্না হস্থহনবা ঙমগনি। মদু নৎতনা ট্রান্সফর পোষ্টিংদা শেঙ্গা-থুমজা তৌরবা অমসুং পার্সনেল লৌবদা হাবী-জাবী চথুনরবদি ষন্থি চেনা শাবা পেটি সপ্লাই তৌরকপদা পূক্নিং থৌগৎলক্কনি। মসিনা ইতিং তিংনা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মোরেল শোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা হন্দক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পেটিগী ৱাথোক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীগনি হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না লৌই। তৌবদদি মরাল লৈবশিং অদু চৈরাক পীদনদি তোকপীগনু। মরম অমা পুথোক্লগা অরানবা তৌবশিং কনখৎপগী লম্বীদা লাকপীগনু হায়জনিংই।

---

*••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

## হৈঙাং তাবা লম্বী শেমজিনবীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**হৈঙাং** কেন্দ্রগীসু মীহুৎ ওইরিবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম এন বিরেন সিংহ অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বরজিৎ সিংহগী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি মদুদি হৈঙাং তাবা লম্বী হায়বদি সঙাকফম বজারদগী হৌরগা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন অমদি হৈঙাং পি ঐচ সী ফাওবগী লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফত্তবা অমদি পূক্নিং নুংশিনুংঙাই ওইরে। সঙাকফম বজারদগী হৌরগা দি এ ভি পব্লিক স্কুল মমাঙ, ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুল চঙফম অমদি সেন্ট এন্থোনি স্কুল ফাওবগী লম্বীগী ফীভম অসি ওন্থোক্না ফৎত্রে। লোয়ননা মরক মরক্তা কোয়লাস থাবা মফমশিং য়াওরবসু হৈঙাং পি এস অমদি পি ঐচ সী হৈঙাং তারক্কদবা লম্বীসু হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। লম্বীশিং অসিদা বালু সিঙ্গলনচিংবা খরদি হৈবীরে অদুবু ফজনা লেবেল্লিং তৌদবনা নোং চুরকপা মতমদা লম্বী অসিদা চৎপদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইহন্দ্রে। হায়রিবা লম্বী অসি য়াম্না মরুওইবনি হায়জনীংই মরমদি লম্বী অসিদা হৈঙাং পি এস অমদি হৈঙাং পি ঐচ সী লৈরিবনি। অনা অয়েক অমদি দেলিভরিগীদমক পি ঐচ সীদা পুখৎলকপা মতমদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাহন্দ্রে। মরম অসিনা এদিটরগী খূথাংদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি অমদি অথুবদা শেমজিনবীনবা হায়জরি।

*অদোমগী - ইরোম ধাকেশোর সিংহ*
*ষ্টাফ পি ঐচ সী হৈঙাং, উরিপোক, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

---

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১। 'লংদুম চাবী' কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবা ফম্বাক লীলা ইবা অইবদু কনানো?
২। 'খোঙ্গুলদা তারুরবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদুনা কনানো?
৩। ''চীনবুংদা নুপীগী হক/নুপাগী খোয়দৌ য়ৌদে/খুন্নাইগী ৱায়েল থুংদে।'' পরেংশিং অসি নহা অইবী অমগী 'চীনবুংগী হক' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৪। পঞ্জাবী অইবা গুরদিয়ালগী নোভেলবু মণিপুরীদা 'অরোইবা মৈরী' হায়না হন্দোকপদু কনাননো?
৫। 'ক্রিটিসিজমগী মীৎয়েংদা' কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মেত্রিক্তা মকোক তাবা ঙম্নবগী লম্বী

অওনবা মালেম
**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**হন্দক** চহীগী মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোকখ্রে। মীনা নীংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়বদু ওইখিদে কুমসিসু। হাকুমসুনি, হৌখিবা চহী কয়াসুনি। চহী লিশাং শিংনা অসুমাইনা অদুমক ওইদুনা অদুম লাক্লে। হায়রিবসি অতৈ করিসু নত্তে হন্দক চহীসিমদি গভর্ণমেন্ট স্কুলনা মেত্রিক পরিক্ষাগী মকোক শোয়দনা তারক্কনি খল্লুরগা প্রাইভেট স্কুলনা ওইনা তাখ্রে হায়বা খরা ঙক্লপনা থোকপা থৌদোকুম্বদু নত্তে। ইস! থাজদেহে প্রাইভেট স্কুলনা তাখ্রিসি। ও! মীনা খনবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়বকাদুদি নৎত্রে হন্দকসু, হৌখিবসু।

মীনা খনবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়বদু হেক ওইরক্তবদা স্কুল ওজাশিংদা চৈবী। কুমসিসুনি মরায়বক থিরবা স্কুল ওজাশিংদা ওনশিন্দুনা চৈশিনবী গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয় অমত্তনা অহানবদগী থিধরকপদা কুনমঙাশুবা ফাওবদা মহৈরোয় অমত্তা য়াওবা ঙমদে হায়দুনা। মসি মকোক তারকপা ঙমদে হায়দুনা চৈবদি নৎত্রি। তরা ফাওবগী মনুং চনবা ঙমদে হায়বফাওবসু নত্তে। কুনমঙা ফাওবগী মনুংদা চনবা ঙমদ্রে হায়নরিবনি। ওজাদা লোয়না তাইনবগুম্বনি। ওজাশিং লোয়রে ইকায় ফিরুক খুন্নে কুম খুদিংগী। ওজাগী লেন্নবা শিনফম অসি খরুং মফম চাদবা হায়বদু ওইরবরা? ৱাহং অসি ইথন্তা হংদবা ঙম্লক্ত্রে। মহৈরোয়শিংনা পরিক্ষাদা মায় পাক্লক্তবদা মখোয়-মখোয়গী মমা মপাশিংদা তায়নদে, চৈদে হায়বা য়াই। মখোয়গীসু অচৌবা থৌদাং য়াওরিবনি। নোংমগী মনুংদা লৈরিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা পুং ১৮ দি মমা-মপাগা মচাশিংগা ময়ূমদা লৈমিন্নরিবনি। অদুগা লেমহৌরিবা পুং ৬ অদুনা মহৈ তম্নবা স্কুলদা ওজাশিংগা লৈবনি। স্কুলদা ওজাশিংনা তাক্লকপা পাড়াশিংদু ময়ূম-ময়ূমদা খঙনবা-হৈনবা, কাউদনবা লাইরিক পাদুনা হোৎনরিবনি মমা মপাগী মীৎয়েং মখাদা। মহৈ-মশীন হৈহনগে হায়বা তারবদি মহৈরোয় অদুগী লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি ফজবা তাই। মসিদি ওজাশিংনা লোয়না ঙম্বা নত্তে। চামিন-থকমিন্নদুনা লৈমিন্নরিবা মমা-মপাশিংনা হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌদ্রগদি ওইথোক্কদবা নত্তে। অদুনদি মমা-মপাশিংনা ওজাদগী হেন্না থৌদাং চাউরি ৱাফম অসিগী মতাংদদি। শম্না হায়রবদা মমা-মপাগী থৌদাংনা চাদা ৬০ অদুগা ওজাশিংনা চাদা ৪০ নি হায়বা য়াই। অদুবু পরিক্ষা হায়দোকপা মতমদদি মমা-মপাশিংদা চৈদে, ওজাশিংদা হেক্তা চৈ।

ওজাদা চৈবগীসু অচুম্বা মরম লৈতবা নত্তে। অদুবু মেত্রিক পরিক্ষাদা ওইরক্লিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ফীভম অসিগী মতাংদদি গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংদা লোয়না তায়নবিবদি চুমদে। কনাগুম্বনা হায়রকপা য়াই মদুদি মখোয়দা লোয়না তায়নখিবা লৈতে। অদুবু চুম্বা লানবদুনা তোঙানবা অমা ওইরগা মীয়াম্না হেক্তা হায়নৈ স্কুল ওজাশিংসি স্কুল কাদে, ঠিকা তৌদুনা লৈ, লেম্না তলব চাদুনা লৈ। অসিগুম্বা ওজাশিং অসিনা অঙাং লাইরিক তাক্লগা করম্না অঙাংশিং হৈগদৌরিবনো হায়বসিসু হায়দবা নত্তে। মসিনসু লোয়বা নত্তে থবক চঙবদা শেঙ্গা থুমজা তৌরগা চঙখ্রে অদুনবু লাইরিক তাকপা করম্না হৈগদৌরিবনো হায়না চৈরিবা কয়া কয়ানি (ওজা লোয়নমক্তি নত্তে)। থিংবা ঙম্বা নত্তে মীওইবগী মচিন ঙাঙনীংবতা ঙাঙবা দেমোক্রেসিসিদা। শেঙ্গা থুমজাগী ৱাদি প্রাইভেট স্কুলগী ওজা লৌবদসু তৌই হায়নৈ। মখোয়গী ওজাদুদি তাকপীবা য়াম্না হৈবজাৎলা? মেত্রিক পরিক্ষাগী মকোক্তি প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয়শিংতনা লোয়না তারকই। মসিসু অঙকপা অমনি। অমরোমদা অমুক য়েংবা য়াই স্কুল ওজা অমা লৌবদা নৎত্রগা ওইবদা য়ামদ্রবদা গ্রেজুয়েট ওইরি। প্রাইভেট স্কুলদসু গ্রেজুয়েটনি। মাষ্টর লোয়রবা মীওইসু স্কুল ওজা ওইবা য়াওরি। মদুগুম্বসু অদুম প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংদসু য়াওরি। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা অমদি প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিং পুম্নমক মণিপুরদা মহৈ তম্লকপনা অয়াম্বনি। অদুগা মপান্দা মহৈ তম্লকপশিংসু য়াওরি গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদি প্রাইভেট স্কুলদা। অদুনা মহৈ হৈবগী চাং অমদি মহৈরোয়শিং তাকপীবা হৈবগী চাং অদুদি অম্মানি। কনানা কনাদগী হেনগদৌরিবনো? অদুবু প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংদি চৈবিবদা য়াওদ্রে। অমরোমদা অহোয়নদুম মীনুংশি পোকপীরি থাগী তলব য়াম্না পীক্লা চারগা অফবা মহৈরোয় য়াম্না পুথোকপা ঙম্মী হায়রদুনা।

করিগুম্বা ফীভম খরদা প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয়শিং অতোংবদা লেপ্লে, মীংচৎ উরোং খিল্লে। প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং থোমজিন্নরে। মীং চনগে হায়দুনা থোমজিন্নরক্লবনিনা স্কুল খরদি মার্ক ৱাংবা মহৈরোয়খক্তবু খল্লগা লৌরে। য়েংবিয়ু কয়াদা লায়না তৌখ্রবা প্রাইভেট স্কুলনা। মার্ক ৱাংনা ফংলগা লাক্লবা মহৈরোয়শিং অদুদি মশানা হৈরগা লাকচরবনিনা স্কুলগী ওজাশিংনা খরদং কুপ্না শেন্নদুনা তাকপীবদা মহয় চাবা ফংই। য়াম্না হেন্না মখোং শোন্নুবগী মথৌ তাদ্রে। অমরোমদা মার্ক ৱাংনা ফংলবা মহৈরোয়শিং অদুদি তুংগী ৱাখল অমগা খঞ্জরদুনা ট্যুসনসু চৎলে। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং অদুগী হৈশিংবা হেঙ্গৎলকই। মশানা তমজরিবা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং অদুনবু তাকচগে হায়বদা তঞ্জাবু ইফং ফংবা নৎত্রে। অদুবু মীংচৎতি প্রাইভেট স্কুলদুনা ফংখ্রে। য়াম্না তাকপীবা হৈবা ওজাশিং ঙাক্তা ওইনা উখ্রে। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ওজা ওইবশিংদগী হৈবা হেনবা ওইনা খন্নরক্লে অমদি তলব চাউনা চারগা শুনীংদবা মী ওইনা উনরক্লে। অদুবু গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং তাকপীবা তনবা, তাকপীবা হৈতবা ওজাশিং নত্তে। অসুক্কী মতিক মথৌ মশক খঙবা, মথৌ তৌনীংবা ওজা য়াম্না লৈরি। য়াওরম্বা য়াই ওজা খরা চেঙ চেঙ্কোক অমা মাঙথোকপা।

গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংদি মথৌ পাঙথোক্কে তৌবদা খুদোংচাদবা থবক কয়া অমা থেংনরি। লাইরিক তাকপীগে তৌবদা মহৈরোয়শিং মীং চল্লক্ত্রি। খরমখৈ স্কুলদা মীং চল্লবসু তশেংনা মহৈ তম্ফম অমদা লৈফম থোকপা মচাক-মথুম নীংথিজনা লৈত্রি প্রাইভেট স্কুল অমদা লৈরিবা মতমগা চুনরবা মচাকশিং অদুগুম্না। স্কুলশঙ য়াম্না মল্লে, মোৎলে, মৈ, ঈশিং ফংদে, লেত্রিন, তোইলেট লৈত্রে, লৈরবসু য়াম্না শাথিনা মোৎলি, স্কুলগী শুমাং, য়েংনখা নাপীনা শোংলে অমদি অতৈ মচাকশিং মতম চানা ফংবা নতে।

মসিগুম্বা ফীভম অসিদা গভর্ণমেন্টকী সার্ভিস রুলনা পুল্লবসু করম্বা ওজানা স্কুল চাং নাইনা কারক্লগা মহৈরোয়শিং হৈনবা মহৈ তম্বীবা ঙমগদৌরিবনো? নুমিৎ খুদিংগী স্কুল কাদবা য়ারোই হায়দুনা গভর্ণমেন্টনা মেমোরেন্দম থোক্লগসু ওজাশিং স্কুল কারকপদি য়াই অদুবু মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বীবদি ফংলোই। মসিগী মরমদি মহৈরোয়শিং প্রাইভেট স্কুলদা লোয়না মীং চনখ্রে। মমা মপানা করিনা হায়ববু গভর্ণমেন্ট স্কুলগী চমোৎনরবা ফীভমদুদা মচাবু মহৈ তমহন্নীংদে। মহৈরোয় খরা মীং চল্লবদুদি তশেংনা হায়রবদা লাক্লিংদুনা লাকপা নত্তে ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম চামন্দবদগী গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তমহন্নীংদা তমহন্নীংদা মীং চল্লকপনি। শেল খজিক্তং মরাং কায়রবদি প্রাইভেট স্কুলদা মীং অদুম চনখিনি। তশেংনা হায়রবদা চমোৎনরবা গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মহৈ তম্বদা মচা মহৈ হৈগনি হায়বসি কনানসু থাজদ্রে। গভর্ণমেন্ট অমা লৈবগী গভর্ণমেন্ট স্কুল থমদবা য়াদবগী থম্বনি হায়না মীয়াম্না লৌনবা হৌরক্লবনি।

মার্ক ৱাংবা মহৈরোয়শিং প্রাইভেট স্কুলদা চৎখিবশিং অদু গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মীং চলহন্দুনা গভর্ণমেন্টকী ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীহল্লু মীকোক থোংদব্রা য়েংসি। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং মহৈ হৈতবা, শুনীংদবা, অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমদব্রা হায়বদু য়েংসি। তশেংনা হায়রবদি গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং মখোয়গী মথৌ তৌফম নিংথিনা লৈতবনি। অদুনা মীৱা তাবনি। প্রাইভেট স্কুলগী অসিগুম্না ফজবা স্কুল শঙ অমদি চঙদবা য়াদ্রবা মচাকশিং লৈহল্লবদি মখোয়গী হৈশিংবা উৎলক্কনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংদি মশা ককথৎপীরবা তেনৱাগুম্বনি। মথৌ নিংথিনা তৌহনগে হায়বা তারবদি মতিক চাবা মচাক মথুম ফংহনবা তাই। মচাক্তি পীদনা অফবা পোৎথোক পুথোক্তে হায়দুনা চৈবিবদি চুনদে। মচাক পুম্নমক ফংহল্লগা অফবা পোৎথোক পুথোরক্তুবদি চুনবা চৈরাক পীবদা মশানা য়ানা লৌবা তাই। স্কুলদা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা হায়বসি অহৈবা ওজাখক্তনা য়াদে। মসিদা মতমগা চুনবা মচাক মথুম অমদি ফজবা স্কুল শঙশিংগী মথৌ য়াম্না তাই। মসিগী থবক অসিদি ওজাশিংনা তৌবা ঙম্বা থবক নত্তে, গভর্ণমেন্ট নত্তনা।

হৌখিবা চহী কুন্থ্রাগী মমাঙদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংগী ফীভম ফত্তনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা প্রাইভেট স্কুল লিংখৎনবগী মচাক ওইহল্লি। ঙসি ফাওবা ফীভম কায়রবা স্কুল মশীং খঙদনা লৈরিবসিনদি হৌখিবা চহী কুনথ্রাগী মমাঙদা লৈঙাকখিবা গভর্ণমেন্টশিংদুনা স্কুলশিং শেমজিনবা/শাগৎপনচিংবদা পূক্নিং চঙদ্রে হায়বা তাকপনি। হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মরালদি ঙসি ফাওবদি লৈত্রি। অদুবু হৌজিক তৌবা য়াবা থবক অমদি তুংদা তৌবা য়াবা থবক হায়বা অনী থোক্না খায়দোক্তুনা থবক লৌখৎপা য়াই। হৌজিক্তি সেসন হৌখ্রবনিনা মহৈরোয় মশীং হেনগৎহনবা ঙম্লরোই। মথংগী চহীদগীদি মহৈরোয় মশীং য়াম্না মীং চনবা লাক্লবা শেমজিনবদা মশক থোক্কদবা স্কুল শঙশিং (লেত্রিন য়াওনা) শেমজিনবা খুদক্তগী হৌবা য়ারে। ওজা ৱাৎপা স্কুলশিংদা অহেনবা মফমদগী ওজা ট্রান্সফর তৌনবগী থবক লৌখৎপা থেংমল্লে। শেমজিনবদা মশক থোক্লরোইদবা স্কুলশিংনা নৌনা শানবা লোং টার্ম পোলিসি শেম্বা মতম চপ চারে।

---


# কুম্মৈ-হরাউদা মতম হেন্না মাঙহনবসি তোক্লসি

মতম মতমগী ৱাফম
**সেঞ্জম দেবেন**

***মণিপুরদা*** মীতৈনা পাঙথোকপা থৌদোক-ৱাথোক অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংগী মশীং য়াম্মল্লি। ৱাফমসি মমাঙদসু কয়ারক হন্না নৈনখ্রে। অদুবু মণিপুরদা হরাউ-কুম্মৈ অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংগী লম্বীদা অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী থবক্তি খক হস্থরকপা উদ্রি। ইচা-ইশুশিং মহৈ তমহন্নবগী লম্বী অমদি লৈপাক্কী চাওখৎ-থৌরাংশিংদা মতিক চানা মতম থাদবা অমসুং থৱায় য়াওনা খোঙ থাংজিনবগী থৌদৌসু ঐখোয় খরদি তম্বা ফব্রা খল্লি। মীতৈ ফুরুপনা হরাউ-কুম্মৈ অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংখক্তদা হেন্না পূক্নিং চিংশিনবগুম, ঐখোয়গী থৌদোক-ৱাথোকশিংগী থৌরমশিং অমত্তা পীকশিন-তেনশিনহনবগী থৌদৌ হৈনদ্রিবসি মমৈথংদা অশোয়বা-অরানবা শোয়দনা ওইরক্কনি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না নোংমা-নোংমগী মীওইবগী থৌশিং য়াম্বা হেনগৎলকই। থৌ য়াম্বা হেনগৎলকপা অমসুং থবক চিনবা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না, মীতৈনা পাঙথোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংগী মশীং হস্থহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। থৌদৌশিংসি পাঙথোকপদা চঙলিবা মতমশিং তেনশিনহন্নবা খন্নবগী মতম হেল্লবনি। থায়নদগী চৎনদুনা লাক্লবা মল্লবা চৎনবী কয়ামরুম্ব ঙসিসু হোংদোকপা তৌদনা, মখা তানা অসুম চথদুনা লৈবা হায়বসি, মীতৈ হায়বা ফুরুপসি ঙসিগী মালেমসিদা অতোপ্পশিংগা মীমান্নবা অমসুং চাওখৎ খোঙথাংশিংগা লোয়ননা থাংজিল্লগুমসি লোয়ননা হিংলগুমসি হায়বগা চপ মান্নে। হীরমসিদা লৈবাক্কী অখঙ অহৈশিং কয়ামরুম য়াওনা কুপ্না খন্না নৈনমিন্নবা মথৌ তাই। মতমগা চুনবা মওংদা মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোক অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংবু মশীং হস্থহন্নবা অমদি পাঙথোকপদা চঙলিবা মতমশিং তেনশিনহন্নবা থৌরাং তঙাইফদনা লৌখৎমিন্নবা চুমগনি।

মতম অমদা মীতৈ ফুরুপ মীশিং লীক্লা হিংলম্মী অমসুং লৌউ-শিংউগী মফম মরাং কায়না লৈরম্মী। মতমদুদা মীতৈনা নুংঙাইথোকপা য়াবা লম্বীশিংতমক থিরম্মী। থৌদোক-ৱাথোক অমদি হরাউ কুম্মৈশিংগী মশীং অমসুং মখোয়বু পাঙথোকপগী মতমশিং কা হেন্না শাংদোকহল্লম্মী। অদুবু ঙসিদি পূম্নমক্তু, তাইওন্নবা ঙাক্তা ওইরক্লে। লমদমসিদা ঙসিদি, অয়াম্বা মীওইশিংনা হিংনবগী লানফমদা অচঙবা লান্মী অমমম হায়বদু তঙাইফদনা ওইদবা য়ারক্ত্রে। অদুঙৈগীগুম ঙসিদি চান-থক্নবা ৱাত্ত-পাদবা লমদম হায়বদু মীতৈ লৈবাকসি ওইরকত্রে। অয়াম্বা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংদা থবক কাবা ফংনবা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনরি। মতমগী মতুং ইন্না চাওখৎ-থৌরাংশিংগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংসু ঙসিদি নোংমা কাংদনা কাদবা য়াশিল্লকত্রে। থৌদোক-ৱাথোক অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংবু লুম্না লৌবা য়ারম্বা মতমশিংদু ঙসিদি ওইদ্রে। ফীভমশিংসিদা মতৌ করম্না মীতৈনা হরাউ-কুম্মৈ অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংগীদমক শাংলবা মতমশিং কাইথোক্তুনা চাওখৎ-খোঙথাংশিংদা থাদগদবা তাঙলবা মতমশিংবু অরেম্বদা লেম্না মাঙহনগদৌরিবনো? হৌজিক্তি ৱাফমসি মণিপুরখক্তগী ৱাসু ওইরকত্রবনি। মালেম পূম্বগী ওইনা থাংনরক্লবা খোঙথাংশিং ওইরক্লবনি। লৈঙাক্কী মখাদা থবক কাদবা য়াদবা মীওইশিংদসু নত্তনা, কৈথেলদা পোৎফমশঙ ফম্বা মীশক ওইগেরা নৎত্রগা থিকা তৌবা মী ওইগেরা, পূম্নমক অরেম্বা অমত্তা লৈকরকত্রবা মতমনি। নোংমগী মাগী মাগী শিনফমশিং হেক পায়নহৌদবদা, শুনহৌদবদা, ইমুংদুমা নোংমগী শোয়দনমক্কী চাকখুম মৈ মুৎকদৌবা য়ূমগী য়ূম্বুরেলশিং য়াওনরিবনি। অসুম্না তোয়না থোক্লবদা, ইমুং অমনা পুকচাক্কী লম্বীদা থাশিতা ওইদুনা কয়াম কুইনা হিংলুগনি?

মীতৈশিংনা পাম্বা কুম্মৈ-হরাউসি হায়ফেৎ য়াবা মখৈ পাম্মী হায়বদা হায়মনবা খক থোক্লোই। হান্না মমাঙদা অতোপ্পা ৱারেং খরদসু ৱাফমসি হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জখ্রে। চহী অমদা থা তরানিথোই লৈবগী মনুংদা মীতৈগী হরাউ-কুম্মৈশিং থা খুদিংমক্কী লেপ্তুনা পাঙথোকপগা চপ মান্নে। ৱাফমসি অচুম্বমক্লি। মীতৈশিংগী থাচত্তা পাবদা, মীতৈশিংনা শজিফু চৈরাওবদগী হৌরগা চহীগী অরোইবা থা, লমদা থাগী য়াওশঙ কুম্মৈ ফাওবদা পাঙথোক্লিবা হরাউ-কুম্মৈশিংগী মশীংসি থীঙমদে। অসিদসু নত্তে, চহী অমগী মনুংদা মীতৈ ফুরুপকী ওইবা হরাউ-কুম্মৈশিংদগী হেন্দোক্তুনা ন্যু ইয়ার্স দে সেলেব্রেসন, বার্দ দে সেলেব্রেসন, লুহোংবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম অসিনচিংবা অতোপ্পা কয়ামরুম অমসু মীতৈ কাঙলুপ্না পাঙথোক্লি। নোংমগী মনুংদা চরা অনী শুনা চাবা ফংজদ্রবা ইমুংশিং ফাওবদা, মীতৈ লৈবাকসিদদি লাই হরাউবগী, য়াওশঙ চাকচানবগী, ঈশৈ-নোংমাই, শুম্মাং-কুম্মৈনচিংবা কয়ামরুমগী শেল খায়বদা চিথ-নাম্থহৌবা খক য়াপোৎ নত্তে। চিংথোক-চিংথোক্তুনা খায়বিরিবনি। চহীগী ওইনা পারুবদা মীতৈশিংনা তাঞ্জরকপা অপূনবা শেনফমদগী চাদা ৩০ গী মথক্তা চহী খুদিংগী ওইনা মীতৈনা মীগী থৌদোক-ৱাথোক অমদি হরাউ কুম্মৈশিংগী চাদিংদা চৎনরি। অদুগীসু মথক্তা মীতৈ লৈবাক্কী হৌনবী, লন্নাই ওর্গনাইজেসন, লন্নাই শেনখায় লূপ ময়াম অমনা লন্নাই শেনখায় কয়ামরুম অমসু মিৎকুপ কাংদনা চাদিং তৌহল্লি। ৱারীসি চাদিংগী ৱারী



ওইনদসু নত্তে। খ্বাইদগী লুবা হায়নীংবা ৱাফমদি, মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোক অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংসিনা মীতৈ খুন্নাইদা মতম কা হেন্না মাঙহল্লকপগী থৌদৌসিনি। হীরম অশোমদা ৱাফম খরদংগা মমুৎ তানা নৈনহৌনীংঙই।

মীতৈ ফুরুপনা, পোকপা-শিবগী ৱাফমদদসু নত্তনা, অতৈ মরক্কী তাঙ্কক কয়ামরুমদসু থৌদোক-ৱাথোক্কী থৌদোক-ৱাথোক ঙাক্তনা পীক থনহল্লি। লোয়বা খক নাইদে, কানবসু ঙমদে, অতেনবসু অমত্তা য়াওদে। অশাংবা, নোংমা-নীনিনা লোইদবা কয়া অমসু য়াওরি। মীতৈনা পোকপদগী হৌরগা শিবা ফাওবদা লৈবা থৌদোকশিং মশীং থীঙমদে। পোকপগা ঈপান-থাবা, চাক-উম্বা, চহী খুদিংগী বার্থ-দে সেলেব্রেসন, নাহুৎ-নারেং তম্বা নৎত্রগা নগুন থাংবা, লুহোং-কৈহোংবা (লুহোং-কৈহোংবগী মনুং চন্না, হায়না-শিংনবা, চেন-চোঙবা, চেন-চোঙবগী হায়দোকপা, মৌ-থিনবা, কয়ারক হন্না ৱারেপ্নবা, ৱারোয়পোৎ পুবা, হৈজীং-খরাই, লুহোংবা, থিনবা, নোংঙানবগী চৎপা, মঙানি চাক্কৌবা, থা ফাবগী নুপী ময়ূম্না অমদি নুপা ময়ূম্না অমুক ঙাপুদুনা শকখঙ-মায়খঙনবগী চাক চানবা, লোয়বা নাইদে), মতুংদগী মচা-মশু লৈরক্লনি, মচা-মশুশিং শেম্না-শেম্না অহল ওইশিল্লক্কনি। অহল ওইশিল্লকপদগীদি অনা-অয়েকশিং থেংনরক্লনি। মতম খরগী তুংদা শিবা হায়বা তাইবঙ খোঙচৎকী অরোয়বা পম্থুংদু য়ৌরক্লনি। শিবগী মতাংদসুনি, শিরনি, পোৎলোয়রনি। শিবগী অৱাবা তারিবা ইমুংদুদা অমুক্কা নোংমা কাংদনা নুমিৎ ১২/১৩ নি লাইরিক তাবগী থৌরম পাঙথোকহনগনি। মরক্তা মঙানি লৈহুন তমগনি। লাইরিক লোইবা নোংঙানবগা য়ূমশেংহনগনি। য়ূমশেংবা নোংঙানবগা লান্ন-থৌরম পাঙথোক্কনি। নুমিদাংদা ঙাতংবা নৎত্রগা নোংঙাল্লগা চাক্লেন থৌরম পাঙথোকহনগনি। মতুং তারকপদসু থা খুদিংগী য়ূমদা নৎত্রগা লাইফমশিংদা চৎতুনা ঙমজবা মীশিংগী চাক্লেন থা ১১ চুপ্লা মথং মথং কৎপগী চৎনবী পাঙথোকহনগনি। ১২ নিশুবা থাদা মরূপ-মপাঙ, খঙন-চানবা কয়ামরুমগা লোয়ননা ফিরোই হায়না মিংথোনবা অচৌবা, অরোয়বা চাক্লেন অমসু কৎহনগনি। মীতৈগী শিবগী থৌরম ফিরোয় চাক্লেনসু লোইদে। মরক-মরক্তা থাগী লাইরুক, পুম্নমকসিগী মথক্তা অমুক্কসু মীতৈনা চহীগী ওইনা শাগৈ-শাগৈগী শিখি-নাখিবশিংগীদমক হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদা হিয়াঙ্গৈ হৈরাং-লৈরাং কৎপা, চাক্লেন কৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। য়েংসি, কয়াদা শাংখ্রবা মীতৈগী য়ূম্বান-কৈবান অমসুং শিবগী থৌরমশিংনো? ফীভমসিদা তঙাইফদনা মীতৈনা মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোকশিংবু মপূং ফানা য়াওদুনা অমদি পাঙথোক্তুনা লৈরবদি, লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা মীতৈ মচাশিং পুম্নমকসি চাং নাইনা লোইশঙ কাবা খক ঙম্ফম থোক্তে। হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক কাবদা অকায়ববু পীরবদি, শোয়দনমক্কী লৈঙাক্কী থবক্তু তোকপা তারকপনি। থবক তোক্লগা থৌদোক-ৱাথোক চত্তুনা লৈরুখিদ্রা? লৈঙাক্কী থবক তোকথোক্লগা হিংবা য়াবা মণিপুরদা অতৈ পাম্বৈ কদাইদা লৈরিবগে?

অসুম্না, মায়কৈ খুদিংমক্তা মাঙজবতনা লাঙ্গোয় চনশিল্লক্লবা মীতৈগী পোকপা-শিবা অমদি লুহোং-খোঙদোংবগী থৌরমশিংনি। মখোয়শিংসি মতম লৈরিঙৈদা অমুক্তং পীকশিন-তেনশিনহৌদবা তারবদি মীতৈ ফুরুপসি মমৈথংদা করি ওইরক্কনি? মসিনা মঙলানগা চপ মান্ননা মতম কয়া থাজবগী ৱাংমদা মীতৈ কাঙলুপকী হোংফদ্রবা লীচৎ অমগুম লৈরক্লি। মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোক অমদি কুম্মৈ-হরাউশিংগী চাদিং অমদি লেম্না মতম মাঙহনবগী থৌদৌশিংসিদগী মীতৈ ফুরুপ কমদৌনা কলহৌগনি? ৱাখল ফাথনা অমদি পূক্নিং লৈতানা খন্থরবা তুংদা মতম চুপ্পগী ওইনা মীতৈনা, চাওখৎ খোঙথাংশিংদা মাঙজিল থাদুনা চৎনবা হোৎনসি হায়রবদি, মথক্কী মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি কুম্মৈ হরাউশিংসি খরদংদা ওইরসু থাদোকপা নৎত্রগা পীকশিন-তেনশিনহনবগী মতম ওইরে। ৱাফম কয়াসি ঐখোয় ঙাক্না চৎনবা হোৎনমিন্নরসি।